কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# উলসান হুন্দৈনা সুৱোন ব্লু ৱিংসপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে, এফ সী সিওলনা গ্বাংজু এফ সী ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



সিওল, মে ১৭ (এজেন্সী):

অহানবা হাফতা শোথরল্লবা মতুং উলসান হুন্দৈনা সুওন ব্লু ৱিংসপু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। এফ সী সিওলনা গ্বাংজু এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা সিওংঙম এফ সী অমদি ইনচিওন য়ুনাইটেদ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি সুওন ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব সুওন ব্লু ৱিংসনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা লাকখিবা উলসান হুন্দৈগা লম্বা তৌনখিবদা অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা য়ূম্বু টিমদুগী সিম বিয়োং কোনা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা সুওংগী মায়কৈদগী সুলেজমান করপিকনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু উলসান হুন্দৈদগী মায়কৈদগী জুনিয়র নেগ্রাওনা ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌরল্লবা মতুং টিমমেট ইন সুং কিমনা ইক্কোলাইজর অদু ৬১শুবা মিনটতা ফংখি।

মেচ লোইগদবা মিনট অমতা ঙাইরবা মতমদা উলসন হুন্দৈগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জুনিয়র নেগ্রাওনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকপদগী পোইন্ট টেবলদা জিওনবুক এফ সীগা পোইন্ট ৬/৬ মান্নরবসু গোল চনবা মশীং য়াম্বদগী মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

ঙসি সিওল ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব এফ সী সিওলনা গ্বাংজু এফ সীবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

এফ সী সিওল মমাঙগী মেচতা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমখক ফংলম্বনি। অমরোমদা গ্বাংজু এফ সী লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা পোইন্ট ফংদনা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদু টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা এফ সী সিওলগী মায়কৈদগী চান হি হাননা মেচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা গ্বাংজু এফ সীবু ১-০দা থোইখি।

টানসিওন স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নবা মেচ অমদা সিওংনাম এফ সী অমসুং ইনচিওন য়ুনাইটেদ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Ulsan Hyundai | 2 | 2 | 0 | 0 | 7 | 2 | +5 | 6 |
| 2 | Jeonbuk Hyundai | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 1 | +2 | 6 |
| 3 | Pohang Steelers | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | +2 | 4 |
| 4 | Seongnam FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 0 | +2 | 4 |
| 5 | Gangwon FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 | 3 | 0 | 3 |
| 6 | FC Seoul | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 3 | −1 | 3 |
| 7 | Sangju Sangmu | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 4 | −2 | 3 |
| 8 | Daegu FC | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 9 | Incheon United | 2 | 0 | 2 | 0 | 0 | 0 | 0 | 2 |
| 10 | Suwon Samsung | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | −2 | 0 |
| 11 | Busan IPark | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | −3 | 0 |
| 12 | Gwangju FC | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 3 | −3 | 0 |

# বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাকনা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে, মাইন্স ০৫ অমসুং এফ সী কোন দ্রো চৎখ্রে



বর্লিন, মে ১৭ (এজেন্সী):

জর্মনিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাকনা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু ৩-১দা থোইখ্রে। অদুগা মাইন্স ০৫ অমদি এফ সী কোন পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাক অমসুং এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী লম্বা অদুদা অহানবা হাফতা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাককী মায়কৈদগী য়াম্না ঙনবা এটেক অনীদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

মেচকী অহৌবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না থুনা য়াঙনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা জে ার্নাস হোপমেননা মহাক্কী টিমমেট অলাসানে প্লিয়েদা খাইদোরকপদা প্লিয়েনা অশোয়বা য়াওদনা পাঞ্জল চনখি। মিনট ৬ লৈরগা মখা তানা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাকনা অমুক হন্না চথখিবা এটেক অমদা রামে বেন্সেবাইনিনা ফংখিবা বোল অদু এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী পেনালটি এরিয়াদা ইনশিল্লকখি।

খুদোংচাবা অদু মার্কস থুরামনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা অশোয়বা য়াওহন্দনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অনী শোথরবা মতুং অহানবা হাফকী অঙনবা মতম অদুদা মখোয়গী মশান্নদা চুশিন্নবা পুরক্তুনা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাককী এটেকশিং অদু ঙাকথোকপা ঙম্বদা নত্তনা পাঞ্জল হন্দোক্লবসু হোৎনরকখি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা লোকদাউনগী মমাঙদা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাক পোইন্ট ৪৯ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট পোইন্ট ২৮ ফংলগা ১৩শুবদা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাককী মায়কৈদগী অথুবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অদুবু শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা রামি বেন্সেবাইনিনা পেনালটি অমনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেচ লোইগদবা মিনট ৯দা ঙাইশিল্লক্লবদা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী সেবেসিয়ন রোদেনা পীরকপা বোল অমা টিমমেট এন্দ্রি সিলভানা পাঞ্জল ওম্ন্থোল্লগা মেচ অদু লোইশিনখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা মাইন্স ০৫ অমসুং এফ সী কোন পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 25 | 17 | 4 | 4 | 73 | 26 | 47 | 55 |
| 2 | Borussia Dortmund | 26 | 16 | 6 | 4 | 72 | 33 | 39 | 54 |
| 3 | Borussia Mönchen | 26 | 16 | 4 | 6 | 52 | 31 | 21 | 52 |
| 4 | RasenBallsport Leipzig | 26 | 14 | 9 | 3 | 63 | 27 | 36 | 51 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 25 | 14 | 5 | 6 | 45 | 30 | 15 | 47 |
| 6 | Wolfsburg | 26 | 10 | 9 | 7 | 36 | 31 | 5 | 39 |
| 7 | Freiburg | 26 | 10 | 7 | 9 | 35 | 36 | -1 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 26 | 9 | 10 | 7 | 33 | 40 | -7 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 26 | 10 | 5 | 11 | 35 | 46 | -11 | 35 |
| 10 | 1. FC Köln | 26 | 10 | 3 | 13 | 41 | 47 | -6 | 33 |
| 11 | Hertha BSC | 26 | 8 | 7 | 11 | 35 | 48 | -13 | 31 |
| 12 | 1. FC Union Berlin | 25 | 9 | 3 | 13 | 32 | 41 | -9 | 30 |
| 13 | Eintracht Frankfurt | 25 | 8 | 4 | 13 | 39 | 44 | -5 | 28 |
| 14 | Augsburg | 26 | 7 | 6 | 13 | 37 | 54 | -17 | 27 |
| 15 | Mainz 05 | 26 | 8 | 3 | 15 | 36 | 55 | -19 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 26 | 5 | 8 | 13 | 27 | 50 | -23 | 23 |
| 17 | Werder Bremen | 24 | 4 | 6 | 14 | 27 | 55 | -28 | 18 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 26 | 4 | 5 | 17 | 30 | 54 | -24 | 17 |

# ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন্না অর্জুন এৱার্দকীদমক অনকিতা রাইনা অমসুং দিবিজ সরনবু নোমিনেট তৌগদৌরি





ন্যু দিল্লি, মে ১৭ (এজেন্সী):

এসিয়ন গেমসতা টেনিসকী মেদল ফংখিবা নুপীগী শান্নরোয় অনকিতা রাইনা অমসুং নুপাগী শান্নরোয় দিবিজ সরনবু ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন্না চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নবগী মনা ওইরিবা অর্জুন এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌগদৌরি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ওইরিবী অনকিতা রাইনানা কুমজা ২০১৮ এসিয়ন গেমসতা নুপীগী সিঙ্গলসকী কোম্পিটিসন্দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

মহাক্না ফেদরেসন কপ টিম টেনিস টুর্নামেন্টতা য়াম্না ফজবা পার্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লেওফকীদমক ক্বালিফাই ওইহনবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা, নুপাগী টেনিস শান্নরোয় দিবিজ সরননা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং জকারটাদা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুগী টেনিস দিসিপ্লিনদা রোহন বোপনাগা পেয়র ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৪শুরবা দিবিজ সরননা হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা এ টি পি টাইটল অনী লৌবা ঙমখি। পুনেদা পাঙথোকখিবা টাটা ওপন টুর্নামেন্টতা রোহন বোপনাগা পেয়র ওইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা চহী অদুমক্তদা রসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপন টুর্নামেন্টতা আইগোর জেলেনেগা পেয়র ওইরগা টাইটল ফংখি।

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল হিরোনমোই চেট্টরজিনা ফোঙদোকখিবদা মখোয় অনীমক চহীসিগী অর্জুন এৱার্দকীদমক মতিক চারবা শান্নরোয়নি হায়খি। মরম অদুনা মশান্না অসিগী ওইনা মখোয় অনীবু রিকমেন্দ তৌগদৌরিবনি। ফেদরেসন অসিনা খ্বাইদগী ফজবা কোচকী মনা ওইরিবা ধ্যানচান্দ এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টেনিস কোচ নন্দন বালগী মমিংসু নোমিনেট তৌগদৌরি।

# মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা লোকদাউন-৪.০ মনুংদা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং অমদি ষ্টেদিয়ম হাংদোক্কদৌরি, ভাবক্তি থিংগনি



ন্যু দিল্লি, মে ১৭ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা মার্চ ২৪দগী লোকদাউন থল্লকপা অদু তাঙ্কক মরিরকশুবা ওইনা মে ৩১ ফাওবা শাংদোকখ্রে। অদুবু হন্দক্কী মরিরকশুবা লোকদাউন অসিদদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং অমদি ষ্টেদিয়মশিং হাংদোক্লগনি অদুবু ভাবকশিংদি চঙবা য়ারোই হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি লৈবাক অসিগী এথলেটশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা থা অনীরোম লোকদাউন মনুংদা শান্নরোয়শিংগী ফিল্ডগী পর্ফোর্মেন্স ফংলক্তবা মরম্না মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লোকদাউন কোমথোক্লক্লবা মতুং ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা শেম শানননবনি।

হয়েং লোইগনি হায়না লৈরম্বা অহুল্লকশুবা লোকদাউনগী মতম অদু থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোরকপনি। হায়রিবা লোকদাউন অসিগী চৎন-কাঙলোনশিংগী মনুংদা থিংগদবা অমসুং হাংগদবা মফমশিং লাউথোরকপদা ষ্টেদিয়ম অমসুং স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা কোমথোরকপনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯না মীওই লিশীং ৯০ রোম শোকহনখ্রবনি। অদুগা মীওই লিশীং ৩ হেনবনা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রে।

লোকদার্উন মনুংদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনগী ওফিসলশিং, কোচশিং অমসুং শান্নরোয়শিংগা ভিদিও কনফরেন্সিং তৌদুনা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিং (ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা) ট্রেনিং ফংহন্ননবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখ্রবনি। থা অসিগী ৩দা রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নেসনল কেম্পশিং অসি তাঙ্কক নাইনা পাঙথোক্লনবা পান্দম থল্লে হায়খিবনি।

# ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী খূত্থাংদা শেলগী অৱাবা কোক্লনবা লুপা ক্রোর ২০০গী শেন্থং নীখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ঙসি লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা শান্নবগী লম্দা থেংনরিবা শেলগী অৱাবা অসি মতেং ওইননবা অমুক্তা পীগদবা লুপা ক্রোর ২০০গী মতেং নীখ্রে।

ঙসি নরিন্দর বত্রনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা শেলগী মতেং নীখিবা অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওইনা লুপা ক্রোর ১০নি। ওলিম্পিক স্পোর্টসকী ওইনা লৈরিবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী ওইনা লুপা ক্রোর ৫/৫নি। নন ওলিম্পিক স্পোর্টসকী নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী ওইনা লুপা ২.৫/২.৫নি। অদুগা ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিএসনশিংগীনা লুপা ক্রোর অমমমগী মতেং পীগদৌরিবনি।

মমাঙদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈত্রিঙৈদা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা প্রাইভেট সেক্টরদগী স্পোন্সর কয়া লৈরমদুনা শেলগী অৱাবা অদু লৈরমদবনি। অদুবু লোকদাউন লৈখিবদগী প্রাইভেট স্পোন্সরশিং অসিগী থবক থৌরমশিং লেপখিবা মরম্না শান্নবগী লম্দা মথৌ তারকপা শেলগী থবকশিং অদু লৈঙাক্লা মতেং পীদ্রগদি অতোপ্পা লম্বেল লৈতবা মরম্না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেলগী মতেং পীনবা হায়রকপনি।

প্রাইভেট স্পোন্সরশিং অসিনা মথংগী চহী ফাওবদা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা মখা তানা স্পোন্সর তৌবগী থবক তপথখিগদবা লৈরি।

শান্নরোয়শিং অসিনা ট্রেনিং চথবা অমদি কেম্প তৌবা মতমদা চঙলিবা শেলগী মশীং লোয়ননা তোঙান তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনন্না মখোয়গী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা অমদি ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ওলিম্পিক এসোসিএসনশিংনা মশা-মশাগী ওইবা থৌরমশিংদা শেলগী মথৌ তাবশিং অদু লোকদাউনন্না মরম ওইরগা লাকখিদবদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং নীরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, কোভিদ-১৯ লান্থেংনবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং ওইননবা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন অমসুং মসিগী মখাদা লৈবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা পি এম ক্যেরস ফন্দ অমসুং তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর’স রিলিফ ফন্দদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ক্রোর ৯.৫ লোম মতেং পীখ্রবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ওফিসলশিংনা নরিন্দর বত্রগী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ২০০গী গ্রান্দ অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদ্রি। মখোয়না ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা হীরম অসিগা মরী লৈননা অইবা ওফিসল ওইবা ৱারোল অমত্তা লাক্ত্রি হায়রি।

মরক অসিদা বত্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফন্দশিং অসি শীজিন্ননবগী কম্পট্রোলর এন্দ ওদিট জেনরেলনা ভেরিফাই তৌরবা মরী লৈনবা চে-চাং পুন্নমক পীগনি হায়রি।

# বাটে বোরিসোবনা এফ কে স্লুক্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে, দাইনামো মিন্সক মায় পাকখ্রে

মিন্সক, মে ১৭ (এজেন্সী):

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বাটে বোরেসোবনা এফ সী স্লুক্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। দাইনামো মিন্সকনা ইস্লোকপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদু বোরিসোব এরেনাদা বাটে বোরেসোবনা য়ূম্বু ওইরগা এফ কে স্লুক্সকা লম্বা তৌনখি। বাটে বোরেসোবকী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না এটেক চথুরকখি। মদুগী ফলসু ঙন্না ফংখি।

বোজান নাষ্টিকনা সপ্লাই তৌখিবা বোল অমা নিমানজা মিলিকনা ফংদুনা মরিশুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল মাঙজিল থারবা বাটে বোরেসোবকী মায়কৈদগী এটেক চথুবা লেপখিদে। ২৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় আইগোর ষ্টাসিবিচনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা এফ কে স্লুক্সকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা এফ কে স্লুক্সকী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর থল্লকখি। পুস্থায় অমরোম মতম শান্নবদা বাটে বোরেসোবসু পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা বাটে বোরেসোবকী মায়কৈদগী আলেকজেন্দর ফিলিপোবিসনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট পাবেল মিখাইচুকনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা গ্রাউন্দগী মেচ অমদা দাইনামো মিন্সকনা ইস্লোকপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। ট্রেক্টরস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মেচকী ৬০শুবা মিনটতা দাইনামো মিন্সককী ইভান বাখরনা মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা বেলসিনা বোব্রুস্ক অমসুং এফ কে বিটেক্স পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। বেলসিনাগী মায়কৈদগী সর্গে গ্লেটকোনা অদুগা বিটেক্সকীনা জুলিওনা চনখি।


/EMPLOYMENT NEWS

- Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।
- 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।
- Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

*Please Contact:-* **L. Rammo**

**# 8787727402**

HL/B/6099/23 April to ...


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com